## কন্দেম তৌরক্লি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** মশাগী চহী ১৩ খক্তা ওইরিবী নুপীমচা অমবু অসামগী কোক্রাজর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা দোটমা টাঔদা মীওই মরিনা থৌরিবা কারদা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনখিবগী থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনেল সোলিদরিটি (এন ই এফ আই এস)গী মেম্বর কিমন য়ুম্লেম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা চেক্লাবা মীওইশিং পুলিসনা ফাগ্রে। অদুম্বকপু ইন্দিয়াদা নুপীশিংগী মথক্তা থোকপগী ক্রাইম মশীং হেনগৎলক্লিবা অসি য়াম্না লাইবকথীবা থৌদোক অমনি। মরম অদুনা নুপীশিংগী মথক্তা থোক্লিবা ক্রাইমশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনম্নিবা চঙই হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** লম্লেন খুরাই কোন্সম লৈকায়দা লৈবী লাইশ্রম নিংঙোল কোন্সম ওংবী লৈবাকলৈমা হিন্দী গ্রেজ্যুএট টিচরনা হৌখিবা মে ১২, ইরাই নুমীৎতা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা গভর্ণমেন্ট হিন্দী টিচর্স ট্রেনিং কোলেজ এল্যুমনাই এসোসিএসনগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজ রি হায়না হিন্দী টিচর্স ট্রেনিং কোলেজ এল্যুমনাই এসোসিএসন দি এম কোলেজ কেম্পসকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ৱাইখোম চিংখৈঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## চান-থক্কবা তেংবাঙখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** আই আর ঈ ৱাংজিং কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন ২০১৪-১৫ বি এইদ এল্যুমনাই বেটচনা ৱাংজিং বজার কম্যুনিটি হোলদা ৱাই ভি এ ৱাংজিংনা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা চান-থক্কবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। তেংবাঙ পীবগা মরী লৈননা পব্লিসিটি সেক্রেটরি নিংথৌজম কিরনকুমারনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অসি লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা লোইশিনবীবগা লোয়ননা মণিপুরবু অমুক হন্না মহৌশাগী ফীভমদা হল্লক্কবা হোৎনবীয়ু হায়না আপীল তৌখি হায়রি।

## রিলিফ মেটরিএল

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** কুম্বী, মোইৰাং অমদি উৎলৌদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা বলরাম খুল য়ুথ ক্লব এন্দ লাইব্রেরীগী থৌমীশিংনা চেঙ, হৱাই, ঙারী, মোরোক অমদি ঈশিং, ফিরোলনচিংবা রিলিফ মেটরিএলশিং তেংবাঙখ্রে। লোয়ননা কাংমোং অমসুং লৈমরামগী ভলন্টিয়রশিংদসু মতেং পাংখি হায়না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট এম বিনোয়গী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সেল্ফ হেল্প ক্লব (এস ঐচ সী) লৈফ্রাকপমনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংদুনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা ফিরোল, কোল-লিক, চেঙ, হৱাই, আলু-তিলহৌ, মনা-মশিংনচিংবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে হায়রি।

### নুংশিনবগী লম্বী থিমিন্নসি, য়েক্লববু মশক খঙসি

# ঈৰাং অসিনা শোকহল্লবা চীংমী-তম্মী মহেরোয় অনীমক্কী মহে-মশিনগী লম্বীদা অপনবা লৈহনবীগনু

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** নুংশিনবগী লম্বী থিমিন্নসি, য়েক্লববু মশক খঙসি, ঈৰাং অসিনা শোকহল্লবা চীংমী-তম্মী মহেরোয় অনীমক্কী মহে-মশিনগী লম্বীদা অপনবা লৈহন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়না অকোম লূপ কংলৈপাক প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎ সোরাইশম, ইণ্ডাষ্ট্রি প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো, পাং দমগী প্রসিদেন্টে য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৰাই লৈরিক লৈমা, কিলগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবী, সী এল কেগী প্রসিদেন্টে সী ঐচ পাকপী চনুনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোললনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক হৌজিক ওইরক্লিবা কাঙলুপকী ঈৰাং অসিগীদমক মণিপুরগী লৈঙাক অমসুং লমদমসিগী সী এস ও অমদি মীয়াম পুনশিন্দুনা ৱারেপ লৌমিন্নদুনা থোক্লিক্লবা ঈৰাং অসি মখা তানা থোক্লেক্কনবগীদমক অথুবদা অনৌবা খোঙথাং অমা হোৎনম্নিবা মথৌ তাই। নাকল অমরোমদা, লৈঙাক্তা সু তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অচৌবা খুৎলায় পায়দুনা লৈবা থোক্লেক্কুনা ঈৰাং অসিদা য়াওশিন্দুনা অতম্লনা মীতৈদা খুৎ থারকপা ঙম্লিবা অসিদা গভর্ণমেন্ট অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা নাকোয়নবা শৌগৎপা ওইনা লৈবাক মীয়াম্না উবনি। হৌজিক থিংবা ঙমদবা মীশি-মীনা, মৈহৌ-লাংপোকনচিংবা অচৌবা ঈৰাংশিং থোক্লিবা অসি লৈঙাকসিনা মতম চানা কন্ট্রোল তৌবিরম্বদি থৌদোক অসি থোক্লম্মদবসু য়াই হায়রি।

ঐখোয় খূদিংমক্কী মণিপুর কংলৈপাক অসি চীংমী-তম্মী অনীমক্কীনি হায়বসি খঙম্নিবা চঙই। অদুবু মপান লমদগী চঙশিল্লকপা কাঙলুপ খরনা মরম ওইরগা ঐখোয় মহৈরোলদগী অরাং-অপা, অরৈ-লৈতা হংনদুনা অসুক নুংশি-চান্ননা শাংনা হিংমিন্নরক্লিবা ঐখোয়গী মরক্তা অঙম-অঙম্বা হাৎতোক্লবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী কাংখুল মুৎখিনবগী মচাক অমনি। মসিদা অমুক্কা হেন্না মীপায়নিংঙাই ওইরিবদি ঐখোয় ইচিল-ইনাওশিংগী মরক্তসু মীশিং য়ামজবা ফুরুপ মচাশিংদনা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবনি। মসি পুন্নমক ঐখোয় খূদিংমক্কা উমিন্নবা চঙই। ঐখোয় খূদিংমক লমদম অসি থাদোক্নুনা চৎপা য়ারোই। ইরমমবু নুংশিদবা কনা লৈবগে। ঐখোয় ইচিল-ইনাও ঙাক্তনি। য়েক্লবা মশক খঙসি। নুংশিনবা খক্কা পুন্না হিংমিন্নবা ঙমগদবনি। লৈঙাক্তা মুরুন্দুনা থোকখিবা থৌদোক খরগী মতাংদা কুকিশিংনা পেন্দবা কয়া লৈরবসু লৈঙাক্তা তায়নদনা মীতৈদা ওনশিল্লকপা হায়বসি করিগুম্বা খরগী মরমদা শরৌ লাং অমা শীনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে হায়রি।

# য়ুম-কৈ মৈ থাদোকখিবা অমদি পুন্সি লোমহনখিবগী থৌওং হকচিন্না লৌই

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** হৌখিবা মে ৩দা চূড়াচান্দপুরদা চথখিবা পিছকী রেল্লি অমদা সূদা লৈবা অমসুং লৈতবা কুকিগী খুৎলায় পায়বা লালহৌবা কয়া য়াওশিং দুনা ভাইওলেন্সকী থবক চথরদুনা চমজরবা মীওই কয়াগী য়ুম-কৈ মৈ থাদোকখিবসু অমসুং মীওই কয়াগী পুন্সি লোমহনখিবগী হকচিন্না লৌই হায়না মচা লৈমগী প্রসিদেন্ট ৰাংখেময়ুম অমুসনা লৈমনা ফোঙদোকখ্রে।

মচা লৈমগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মৈতৈনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখি অমসুং হৌজিকসু লৌফম থোকই। অপূনবগী শক্তম হায়বসিদা কাঙলুপ-ফুরুপ মচা-মচাশিংগী মখোয়গী আইদেন্টিটি কায়হন্দনা থম্দনা মৈতৈশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবনি। হৌজিকসু অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপদা মৈতৈশিংগী থৌদাং চাউই। মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয় সেক্সন খূদিংমক্না ইশা-ইশাগী ওইবা ইন্টরেষ্ট থাদোক্নুনা ঐখোয়গী অপূনবগী শক্তম ঙাকপদা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু লৌমিন্নসি।

হৌখিবা মতমদা মতম-মতমগী ওইনা পাল্লম্বা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগা লোয়ননা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শীংনরকপা খূদিংমক ঙাকখিবা অদুগুম্না হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনসু লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা ঙাকমিন্নসি হায়বা ৱাফম হৌজিকী লৈঙাক্তা থমজরি। ঐখোয়গী অপূনবগী শক্তম ঙাকপদা ঐখোয়না অতোপ্পা প্রেসর অমা ঙাইবগী মথৌ তাদে। মে ৩গী থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকপ্রবা মতুংদা অৱাবা তারবশিংগী হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদগী মচা লৈমনা মে ৫দগী লেপ্তনা তেংবাঙ পোৎলম পীরগী থবক চথরক্লি। চেঙ, হৱাই, থাউ, থুম, আলু, অঙাংগী চানবা পোৎলম অমসুং নূপী ওইবীশিংগী য়াম্না মরুওইবা সেনিটরি পেদ, মোনপাক, কাংখল অমদি ফিরোলনচিংবা পোৎলম কয়া মতেং পাংজরি। ঐখোয়না চৎলুবদা থেংনজরকপা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়াম্না মখোয়গী খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া পাউদম্লকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** কাঙলুপকী ঈৰাংনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা ইন্টর্নেট সর্ভিস থিংখিবা নুমীৎতগী ঙসি ফাওবদা সী এম ঐচ টি অমদি পি এম জে এ ৱাইগী কার্দ পায়দুনা লায়েংবা লাকপা অনাবশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল রে হায়না কৃপাদাশিনি এদভান্স হোস্পিটালগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসরগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সী এম ঐচ টি অমদি পি এম জে এ ৱাইগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অসি নেটকী খুত্থাংদনি। নেট ফংদবনা মরম ওইরগা কনা লৈজদবা হকশেলগী কার্দ পায়বা অনাবশিংদা চাউনা অৱাবা মায়োক্ল হল্লে। মরুওইনা দাইলাইসিস তৌরিবা কিদনি ফেল ওইরবা অনাবশিং শেল তীংদনা কার্দকী মতেংনা দাইলাইসিস তৌরম্বদু নেট য়াখিদবনা মরম ওইরগা খুদক্তা শেল থিরগা দাইলাইসিস তৌনরে। মরম অসিনা লায়রবশিংগীদমক্তা কান্নখ্রবা লৈঙাক্কী থৌরাং অসি হৌজিক অরেম্বদা তারে। মরম অদুনা হোস্পিটালগী ওইনা ইন্টর্নেটকী অথিংবা অসি খরদং ওইরবসু লায়রবশিংগী য়েংবীরগা কোমথোকপীয়ু হায়রি।

## ওৎপা নৈবা তোক্ত্রবদি মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাক্কনি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** লৈঙাক্তা সূদা লৈরিবা খুৎলায় পায়বা কুকি লালহৌবশিংনা ফোংনা অকিবা লৈতনা চমজরবা মীচম-মীয়ামদা লান্দারকপগা লোয়ননা চথরিবা ওৎ-নৈবগী থবক অসি তোক্ত্রবদি মীচম-মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ শোয়দনা লাক্কনি হায়না মৈতৈ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ঙাঙোম নাওবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা লল্লাই বজারদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা ঙাঙোম নাওবীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক থোক্লিবা ঈৰাং অসি মখা তানা অসুম্মক থোক্লবা কুকি লালহৌবশিংনা শীনবা তারবদি হৌজিক থোক্লিবা ঈৰাং অসিদগী অমুক্কা হেন্না অকনবা ঈৰাং থোক্লকপা য়াই। মরম অদুনা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা ঈৰাং অসি লৈঙাক য়াওনা পুন্নমক্না মখা তানা চথরক্তনবা হোৎনবীয়ু। মহৌশাগুম ঈংনা চিক্লা লৈনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লল্লাই চলৌ অপূনবা মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী থোকচোম মেম্মা কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় মীচম-মীয়াম ঈং-তপ্পা পাম্মী। ঈকং থোক্তুনা লৌ য়াদবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা থোক্লকপা অকি-তুজুংবা ফাওরবা ঈৰাং অসিনা মমা ওইবীশিংদা অদুক্কী মতিক অৱাবা পীরে। মচা ওইবা কয়াগী পুন্সি পীখম্ন খিবগা লোয়ননা ঙসিসু থিবা খঙদবা মীওই কয়াসু লৈরি। মণিপুরদা খুন দামিন্নরিবা ফুরুপ অসি মৈতৈ অমদি কুকি খক্তা নত্তে। মরম অদুনা পুন্নমক্কী খল্লগা ঈং-তপ্পা পুরক্কবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

## ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** কুকিশিংনা মৈতৈশিংগী য়ুম-কৈ, দুকান অমসুং লাইশঙশিং মৈ থাবদা নত্তনা মীহাৎ-মীপুনগী থবক ফাওবা চথখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা সেগা রোদ ৱেলফ্যের ক্লব কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় অমসুং কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় মৈরা পায়বী লূপ অনীনা পুন্দুনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় মমাঙ কম্যুনিটি হোলদা ঙসি ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না সেগা রোদ ৱেলফ্যের ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি এম রাজু অমদি প্রসিদেন্ট এস সুরচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মীয়াম্না মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই, মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংঙু, মণিপুরদা এন আর সী অথুবদা চৎনহল্লু, সূগী গ্রাউন্দ রুল থুগায়বা কুকি লালহৌবশিংগা সূ চথবা খুদক্তা লেপ্পু অমসুং চৈরাক পীয়ু, মীচম-মীয়ামদা লান্দাবা লেপ্পু অমদি মণিপুর থুগায়নবা ফোংনা হোৎনরিবা কুকি এম এল এ ১০ দিসক্কালিফাই তৌ হায়না থাবা প্লে কার্দশিং পায়দুনা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি।

## ঈ কৎপগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** ষ্টেট ব্লদ সেল, এন ঐচ এম মণিপুর অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা খাঙবোক রিলিফ কম্মিটি অমদি এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনর্স মণিপুর, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগা খুৎশম্নদুনা কাঙলুপকী ঈরাংনা মরম ওইদুনা অশোক-অপন নংলবশিংদা মতেং ওইনবগীদমক ভলন্টরি ব্লদ দোনেসনগী কেম্প অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৱাখল তামিন্নবগী কেম্প্যেন অমসু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী ব্লদ সেন্টর এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিটতা পাঙথোকখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল অহন্থেম সুভাশ অমদি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস থৌবাল জোগেসচন্দ্র হাওবিজম অনীসু লাক্তুনা ঈ কৎপগী থৌরম অদু য়েংশিনখি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ২০ লোম্না ঈ কৎখিবা অদুবু দি সী সুভাশনা থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

## ন্যু এক্টিং হেদমেন হাপখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি ব্লোক্কী মনুং চনবা মুল্লো রিংপম ভিলেজগী অনৌবা এক্টিং হেদমেন হাপ্তুনা মীয়ামদা লাউথোকপগী থৌরম মুল্লো রিংপম ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা মুল্লো রিংপম বর্প্টিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখ্রে।

ভিলেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরি পৈসো সিংলাইনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এস রিংফামিবু মুল্লো রিংপম ভিলেজগী ন্যু এক্টিং হেদমেন ওইরে হায়না ভিলেজ অসিগী মন্ত্রি এস জেমসনা লাউথোকপগা লোয়ননা মপুগী থৌজালসু পীখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নৌনা খল্লবা এক্টিং হেদমেন অমদি মহাক্কী ইমুংদা খুলগী মীয়াম্না অঙন্বা খুদোলপোৎশিং তমখি। মুল্লো রিংপম ভিলেজগী মন্ত্রি এস জেমসনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদগী এস রিংফামিগী সিগনেচর অমসুং সিল্ড চৎনরগনি। ঙসিদগী হান্নগী এক্টিং হেদমেন এস ৰুংসুমি হেদমেন ওইদ্রে হায়খি।

## মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনবগী ৱারেপ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ পাউনা বজার ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা ময়াই তাংবল লৌদুনা মণিপুরদা লৈরিবা সাহিত্যগী সংস্থানশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হন্দক্তা ইখঙ খঙহৌদনা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাংদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে হায়রি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, কলচরেল ফোরম, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি, মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, রাইটর্স ফোরম, লৈমরোল খোর্জেকোল, প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন, ইমাখোল অৱাং পোৎশংবম অমদি মণিপুর সাহিত্য সমিটি থৌবালনচিংবগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরিশিংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীফম অদুনা য়াম্না কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংনা চহী লিশাং শিৎনা লেঙদনা থম্লকপা ঐখোয়গী মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈ করিগুম্বা অমত্তা কায়হনবা য়ারোই। কাঙলুপকী ঈরাং অথুবদা লোইশিন্নবা হায়জবা, রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংবগা লোয়ননা ময়ুমদা হঞ্জিন্দুনা তংদু-লৈতানা লৈবা ঙম্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎনবা তকশিন্নবগী ৱারেপনচিংবশিং লৌখি হায়রি।

## তেংবাঙ পোৎলম খুৎশিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** মান্নদবা শিনফমদা লৈবা নুপীশিংনা পুনশিন্নরগা মীয়াম খুন্নাইগী অফবা খরদা ওইরবসু পাঙথোকমিন্ননবগী ৱাখল্লোন্দা শেমখিবা নুপীনা নুপীগীদমক্তা দ্যুলেন্দ চিলদ্রেন হোমদা এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর এল নন্দকুমারগী তেংবাঙগা লোয়ননা তেংবাঙগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

মহিলা কল্যান সমিটিনা চলাইবা ওর্ফান হোম অসি অঙাং নুপামচা ঙাক্তা লৈ। মখোয়গী ক্লাসকী মতুংইন্না লাইরিক, বোয়, কলম, ফর্ষ্ট এইদ বোক্স, কম্বল, মচু নাইবা স্কুলগী য়ুনিফোর্মশিংসু খুৎশিন্নখি। লোয়ননা কোইরেঙ্গৈদা লৈবা পোইরৈ নৱাকোলদসু চান-থক্কবা পোৎলমশিং য়াওনা কম্বল, স্কুলগী দ্রেস, ফর্ষ্ট এইদ বোক্স অমদি সেনিটরি পেদনচিংবা পোৎলমশিংসু তেংবাঙখি হায়রি।

## অৱা-অনা তারবশিংদা অঙন্বা মতেং পাংখিগনি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** মালেমগী অপূনবা মৈতৈ লাইনিং লূপ (এম এ এম এল এল)না অঙন্বা শেলগী মতেংগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী অঙন্বা মতেংশিং অৱা-অনা তারবশিংদা তেংবাঙখিগনি হায়না এম এ এম এল এল কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট সী ঐচ নবচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা মে ৩দা খঙহৌদনা থোকখিবা কাঙলুপকী থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমদগী ময়ুম-মকৈ মৈ থাখ্রবা অমদি থুগায়বীখ্রবা হৌজিক হৌজিক অৱা-অনা নংদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা অৱাং সেকমাই সী ঐচ জালা সিংহ জুনিয়র হায় স্কুলদা লমদম অদুগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী অমদি মীয়াম্না তেংবাঙনদুনা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মোটবুং, কলাপহার, কাংপোকপীনচিংবা মফমশিংদগী লৈরিবা নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা মীওই ২৩০ রোমগী মফমদা নোংচুপ লমদা লৈবা দরগারবোন্দ দেব কম্মিটি হিংলা দুলাপচেরা দিষ্ট্রিক্ট করিমগঞ্জ অসামনা শেলগী মতেং ওইনা লুপা ১৬,৩৯০ অমদি মালেমগী অপূনবা মৈতৈ লাইনিং লূপ অপূনবা কংলৈপাক মশা লোয়শঙগী থৌমীশিংনসু অঙন্বা শেলগী মতেং পাংখি। লোয়ননা মতুং তারকপদসু অৱা-অনা তারবশিংদা অঙন্বা মতেং পাংখিগনি হায়রি।

## মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহনসি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** থা অসিগী ৩দগী খঙহৌদনা থোরকখিবা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা হিংশাগী থৌদোক্লা মরম ওইদুনা কাঙলুপ-ফুরুপ কয়ানা নুংশি-চান্ননা খুন্দামিন্নরিবা মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি ঐখোয় পুন্নমক্লা অমত্তা ওইনা অশাউবা পুন্নমক ফাথমিন্নদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিন্নবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না সেলিন দিজিটেলগী চ্যেরমেন ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফাথবা ঙমহৌদদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অসি থোকখ্রবসু কাঙলুপ অনীনা অশাউবা পুন্নমক ফাথদুনা অপাম-পামদা পুন্নমক অথুবদা ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকপা মথৌ তাই। ঐখোয় লমদমসিদা পোকপনি, চাউরকপনি অমদি অরোইবা য়াহিপসু তাগদৌরিবনি হায়বসি নীংশিংমিন্নসি হায়রি।

## রিলিফ মেটরিএলশিং য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** কান্তো সাবল, কান্তো খুল্লেন অমদি সেকমাই কৌজেংলৈমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা য়েংখোম লৈরক দিভেলপমেন্ট ক্লব, সগোলবন্দ য়েংখোম লৈরক্লা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ক্লব অসিগী এদভাইজরশিং অমদি প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং য়াওনা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

## মীতৈ ময়েক চৎনখিবগী চহী ১৭ মপুং ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** মীলাল কংলৈপাক্লা লমদম অসিদা ২০০৫দা মণিপুর লৈঙাক অমদি মীলালগা য়ানদুনা মীতৈ ময়েক চৎনরকখিবা চহী ১৭ মপুং ফারকপগা লোয়ননা মীলালনা শীন্দুনা ময়েক চৎখিবা নুমীৎপু মীলাল ময়াই লোয়শঙদা মীলালগী প্রসিদেন্ট খাইদেম ইঙোচা মীতৈনা থৌরম মপু, শাদোকপম তোম্বনা অথোইবা লেংবীরকপা ওইদুনা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সোইবম অরুননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থৌরম অসি পাক চাউনা পাঙথোক্লবা হোৎনরম্বনি। অদুবু কাঙলুপকী ঈরাং লৈখিবনা তঙাইফদনা মীলালগী লুচিংপুরেল ওইবীরম্বা লাই ওইখ্রবা ওজাশিংদা মৈরা চুখৎতুনা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা য়াম্না চন্না থৌরম অদু মীলালগী ময়াই লোয়শঙ ওফিসতা পাঙথোকচবনি। মীপুম খূদিংমক মীতৈ ময়েক হৈহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না হান্নগী প্রসিদেন্ট এম নাওদালেনখোম্বনা ইবা *পুন্সি ৱারী* হায়বা লাইরিক অমসু ফোঙখি হায়রি।

## সী পি আইগী টাস্ক ফোর্সনা লৈঙাক্তা য়ৌহন্নবা হোৎনরি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি ঈংনা তপ্পা শন্তাইনবা অমসুং অৱাবা তারবা মীয়ামবু নে-তানা হিংহনবা ঙম্নবা ষ্টেট লেভেল টাস্ক ফোর্স অমা শেম্বগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীয়ামগা উনদুনা মখোয়গী ৱাফমশিং লৈঙাক্তা য়ৌহন্নবা হোৎনরি হায়না এম এস সী, সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

টাস্ক ফোর্স অসিদা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি সী পি আই কমরেদ নোংথোম্বম সিংহজিৎনা কনভিনর ওইগনি। লোয়ননা টাস্ক ফোর্স অদুগী মরুওইবা মেম্বরশিং অদুদি ষ্টেট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি সী পি আই মাইস্নাম জয়কুমার, ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর আর কে অমুস্না, কমরেদ টি ঐচ মেঘচন্দ্র, ডা. পি খোগেননচিংবনি। কম্মিটি অসিগী থবক মোনিটর তৌনবা ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ লৈশাংথেম থোইরেন অমসুং কমরেদ ডা. এম নরনা সেন্ট্রেল কন্ট্রোল কম্মিসন মেম্বরনি হায়রি।

## ইম্ফাল ইষ্টকী সনাশাবী মৈতৈ...

*লামায় ১গী মখা...* হেন্না ৱানা থোক্লি হায়রকখি।

সনাকৈথেলদা পুরিবা মৈগী লাইন অসি মৈতৈ খুন অমদি চীংগী খুনশিংগা পুল্লি। চীংগা পুল্লুবনা নুংশিৎ তোয়না শিৎপা, উ-ৱা তেকপা মতমদা মৈসু তোইনা মুৎলি। কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা পোৎ চৈগী মমল তাঙখৎলকপা অমদি ফংহল্লক্তবা অসিনা চান-থক্কবদদি অকায়বা পীরে। মখা তানা থোইদোকপা হায়নীংঙাই লৈজদে অদুবু ঈরাং থোক্তনা, ঈংনা চিক্লা লৈজবা পামজৈ হায়না ফোঙদোরকখি।

সনাশাবী খুল অসি ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী বজার মনীংদগী অসুম চঙশিল্লক্লগা থোং লাল্লবা মতুংদা লমলোং অনী ফাংবগী য়েৎলোমদা চঙলগা লৈবা খুলনি। অদুগা ওইরোমদনা খোংসাই খুল তাবা লম্বী ওইগদৌরিবনি। খুন অসিদা অসুম চঙশিল্লকপদা মৈতৈ সলাই তরেৎকী ফিরাল লম্বীগী চিদাইশিং অমদি সনাশাবীগী চীংয়াগী উমং অকোয়বদা য়ুংদুনা লৈবা থেংনরকখি। সনাশাবী খুলগী অপূনবা মীশিংনা অঙাং য়াওরগা পূন্না মীওই চাওরাক্লা ৬০০ রোম লৈবনি হায়রি।

## GAS NEWS

**MANIPUR POLICE GAS BOOKING UPTO DATE**
Time : 9.00 am to 12.00 pm
**Contact No. : 7629045883**
**M/s K&K INDANE SERVICE**
For home delivery only
**Gas Booking please call within 8 am to 11 am.**
**URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL, - Tiddim line.**
**Mayai Lambi, Singjamei, Imphal East 9362663937.**
**Tiddim line - 8794684988**
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
8787530107 / 8014963395, -9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/8258856407 / 9862239855/ 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395
**MAHALAKSMI INDANE GAS BOOKING UPTO 15/03/2023**
VALID FROM 03/03/2023
Home Delivery Only
**BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTO 25/03/2023**
VALID FROM 15/03/2023
Home Delivery Only
Contact No. : 8259939561, 9856398141
Office Timing : 9.00 am to 3.00 pm
**POROMPAT INDANE GAS, KONGKHAM LEIKAI, NEAR WATER SUPPLY**
**BOOKING UPTO 05/04/2023**
VALID FROM 29/03/2023
Plz. Contact : 9366184547 for home delivery during 8.00 am to 10.00 am.
**TDK GAS**
**BOOKING UPTO 22/02/2023**
VALID FROM 13/02/2023
Stock : 306
Home Delivery Only
Contact No. : 8731992324, 6009919278
Timing : 9.00 am to 3.00 pm

**Happy News** **Happy News**

/ RICE MILL গী চেঙকুপ ফংবীগনি

কনাগুম্বা মীওইশিংনা য়েন, ঙানু, ওক অমসুং ষণগী চেঙকুপ পাম্বীরবদি মরাং কাইনা ফংবীগনি।

ফংফম :-
**Mutum Rice Mill, Ningombam**
**Imphal West**
**# 9774362785 / 9862935411**
HL-P/6575/19,20

/ খঙহঞ্জবা

শ্রী শ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কোলেজ খুরাইগী গভর্নিং বোদিনা C.M. গী Relief Fund দা লুপা লিশিং ২০,০০০ donate তৌজরে। হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা লৈবাক্কী অৱা-অনা তারবশিংগীদমক্তা।

**Sd/- 1) Th. Sanajaobi Devi**
Principal-in-charge
**2) S. Ibosing Meetei**
Secretary, G.B.
**3) Th. Girani Singh**
President-in-charge
Shree Shree Gourgobind Girl's College,
Khurai Sajor Leikai
HL-P/4429/19

SKY HOSPITAL & RESEARCH CENTRE PVT. LTD.
HAPPY ANNOUNCEMENT
For
Senior Citizens & Childrens of Manipur.
⇒ FREE OPD CONSULTATION FOR SENIOR CITIZEN AGE ABOVE 60 yrs (Daily nos-5)
⇒ FREE OPD CONSULTATION FOR CHILDREN AGE UPTO 18 yrs. (Daily nos-5)
⇒ FLAT 20% DISCOUNT ON TESTS & HEART SCAN (IF REQUIRED).
⇒ 24X7 EMERGENCY SERVICE FOR HEART ATTACK, CHEST DISCOMFORT & PALPITATION. (EMERGENCY CHARGES WILL BE FREE FROM MORNING 8 am- 5pm).
PROVIDING THE ULTIMATE HEART CARE IN MANIPUR

HEART OPD
Timing: 8 am to 4 pm
MONDAY TO SATURDAY
COMMON SYMPTOMS OF HEART DISEASE
- Chest pain, pressure, heaviness or discomfort.
- Shortness of breath.
- Dizziness/ Light-headedness.
- Exhaustion.
- Nausea or vomiting.
- Palpitation.
- Collapse.
- For Pre-Booking, Contact # 8415934236/8415938207
HL-B/8152/19

SMART TUTORIAL CENTRE
REGD. NO. IW (SLI) 0332
SINGJAMEI SUPER MARKET
OUR SHINING STARS
FEATURES
•MEDICAL, ENGINEERING & NDA COURSE
•FOUNDATION COURSES FOR CLASSES IX, X, XI & XII (SECOND BATCH)
CLASSES COMMENCING ON
• CBSE: 18th May & 5th June, 2023
• BOSEM: 22nd May & 12th June, 2023
HOSTEL available for class (vi) and above

BATCHES MORNING & EVENING
CALL: 8787601123,03857966211
FREE supply of printed questions & answer,weekly exam and MEGA TEST
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
HL-B/8140/3/5-13/6

Inspire SCIENCE ACADEMY
Kwakeithel Lamdong, ImphalWest,
ADMISSION OPEN
SPECIAL OFFER FOR CBSE AND OTHER BOARDS FOR ADMISSION to CLLASS-XI Sc. (Limited Seats)
■ For students who scored 90% and above in Class-X Examination, 2023
■ Students must bring Marksheet, Original Admit Card of Class-X Examination, 2023 and 2 Passport Photos.
■ For details, contact **INSPIRE SCIENCE ACADEMY** Office.
■ N.B :50% & above in the Class-X, Pre-Board School Exam.
■ Office Time : 9:00 a.m to 1:00 p.m.
Please contact: #8415095405, #8178443975, #7005577079, #8119084276, #9366229335, #8787477163
Sd/-
Principal
Inspire Science Academy
HL-P/6713/17/5-4/6 (alt)